তিন- কাং অমসুং লায়ন- তিন্না:

| সে:ন: | লাইন- তিন্না | লাইওং | ঙাকথোক্লবা পান্থৈ |
|---|---|---|---|
| ১. | ৱাহিক (Aphis gossypii) | মহি চুপথোকই অমসুং কংশিনহল্লি। | •পাম্পী ওন্দুনা থাবিবা<br>•লুন- নানাথাবিবা<br>•লায়ন- তিনা চৎদবা চরা খন্দুনা থাবিবা<br>•থাফমদা ০.০৫% Dimethoate চইথোকপিবা |
| ২. | মনা চকথেকপী লায়না (Phytophthora colocasiae) | ৱাওথাংনবা মচু না কোরোক কোইনা খামদেকই অমসুং পাকথোক্লক্তুনা মনা পূম্বা শিহল্লি। | |
| ৩. | পাইথিয়ম রোড (Pythium rot) | মনাবু কংশলহল্লি অমসুং খুইথহল্লি। | |

লোকপা অমসুং তানবা:

পান মখল খেৎনবগী মতুংইনা লোকপগী মতম খেৎনবা য়াই অদুবু মখল অয়াম্বা থাখ্রবা মতুং নুমিৎ ১২৫-১৫০ মনুংদা তানবা য়াই। মখল খেৎনবগী মতুংইনা চাওরাক্লা পারি অমদা টোন ১৫-২০ ফাওবা চাথোক থোকপা ঙম্মী।

# অসিগুম্বা চৎন-কাংলোন অসিগী মতুংইনা থারবদি লৌমী ইচিন-ইনাওশিংনা পান পারি অমা থাবা মতমদা চাওরাক্লা লুপা ৩,০৩,০৭৫ শেন্দোং ফংবা ঙম্মী লোয়ননা লুপা অমা থাদবদা লুপা ৪.৯০ মুক ফংবা ঙম্মী।

*Prepared by*

**DR. P. BIJAYA DEVI**

**SMS-HORTICULTURE**

*Published by*

**KRISHI VIGYAN KENDRA**

**Bishnupur district, Manipur-795134**

*Designed & Printed at:*

S.K. PRINTERS WORKS,
NAMBOL, MANIPUR

# পান (*Colocasia esculenta*)

## থানাবা হোৎনবদা অফবা লৌউ কাংলোন



*Published by*

**KRISHI VIGYAN KENDRA**

**Bishnupur district, Manipur-795134**

*Website:* www.kvkbishnupur.com *Email:*kvkbishnupurdistrict@gmail.com

**Year of Publication: 2024** **Leaflet No.: 2404**

Colocasia মৈতৈলোন্দা পান হায়রগা খঙনৈ। পৃথিবীদা হৌজিক থেংনরিবা সমস্যা অইং-অশাগী খল কাইরকপা অমসুং অহোংবা লাকচরবসু বিজ্ঞানিক ওইবা মওংদা থারগা শেন্দোং লৈনা পোথোক পুথোকপা ঙম্বা পান্বী অমনি। অশুম্না ঐখোয়না পানসিবু ক্লাইমেৎ রেসিলিয়েন্ট ক্রেপ (Climate resilient crop) হায়না খঙনবা য়াই। পান অসি ভারতকি অর াং নোংপোক অমসুং বংলাদেশতগী পৃথিবীগী মফম কয়াদা থাবা হৌনখি। পান্বীগী অয়াম্বা শরুক খুদিংমক চাবা য়াই। মরুওইনা ললোন ইতিক্কী ওইনদি লৈনুংদা লৈবা শরুক ওইনা লৌনৈ।



ফিগঃ ১ পান থাবা লৌফম।



ফিগঃ ২ তানথোক্লবা পান চামথোকপা।

পান থাবগী মতম:

পান থাবদা খ্বাইদগী চানবা অইং-অশাগী চাং অসি ২১°-২৫° সেন্টিগ্রেট ফাওবনি হায়রিবা মতমসি ফেব্রুৱারি-র্মাস অদুৱাইদা ওইগনি।

লৈপাক-লৈহাও:

পান অসি মখল অয়াম্বা লৈবাক লৈহাওদা থাবা য়াই হায়বদি লৈকংদগীনা ফ্রোং-ফ্রোং লাওবা লৈপাক মখলশিংদা হৌবা ঙম্মী অদুবু চাকথোক-পোথোক য়াম্না ফংনবগীদমক খরা ফ্রোং ফ্রোং লাওবা লৌফমদা থাবিগনি। লৈপাক্কী অশিন-অয়াক্কী চাংদি pH 5.5-7.0 ওইগনি।

থাফম শেম-শাবা:

পান থানবগীদমক থাফম অদু নিংথিনা খোইদোক্লগা ফেদোম নাইনা শেম্বিগনি। ফেদোম অদু সেমি: ১৫ মুক ৱাংনা চিংখৎকনি অদুগা ফেদোম অমমমগী অপাকপনা মিটর ১.৫-২দগী হেল্লোইদবনি অদুগা অশাংবনা লৌফম নত্রগা ইশাগী খুদোংচাবা য়েংলগা শেমগনি, ফেদোম অমগা অমগা কারক্তা সেমি: ৩০-৪৫গী অশাংবা থমবিগনি। থারবা মতুংদা ঈশিং তুংদুনা লৈতনবা ঈরম-নালাগী খুদোং চাবা থমবিগনি।



ফিগঃ ৩ বীগ্যনিক ওইবা মওংদা DDK Imphal গী পাওমীগা উন্নদুনা পান থাবগী পাওদম।

অরাপ-অকুং অমসুং থাবগী মওং:

পান থাবা মতমদা পরেংগা পরেংগা সেমি: ৬০ অদুগা পান্বীগা পান্বীগনা ৪৫ সেমি: ওইগদবনি। থাবা মতমদা সেমি: ৫-১০ মুক লুনা থাবিগনি। পান পোথোক য়াম্না ফংনবা ফেব্রুৱারি-র্মাসতা থাবা ফৈ। পানগী মনাও গ্রাম ২০-২৫গী চাংদা লুন্বা নত্রগা পান মরু গ্রাম ৫০-৭৫ মুক লুন্বানা থাবিগনি। চাওরাক্লা পরি অমা থানাবগী পান-নাও কেঃজিঃ ১০০০ মুক দরকার ওই।

হারগী চাং অমসুং চাইবা:

হারগী চাং লৈপাক-লৈহাও খেংনবগী অমসুং লৈপাক-লৈহাও চাংয়েংগী ফলগী মখা পোল্লি। অদুবু চাওরাক্লা পোথোক য়াম্না পুথোক্লবা ষন্ঠি-ষনয়ুংনা শেন্বা হার অসি পারীদা টোন লিশিং অমগী চাংদা অরোইবা খোইবা মতমদা হাপ্লিগদবনি। লোয়ননা রাসাইনগী হার পারী অমদা য়ুরিয়া কেজি ১৭৪, এস.এস.পি. কেজি ৩৭৫ অমসুং এম.ও.পি. কেজি ১০০ মুক হাপকনি। এস.এস.পি. অসি অরোইবা খোইবদা চাইবিগদবনি অদুগা য়ুরিয়া অমসুং এম.ও.পি অসিনা তাঙ্খাই-তাঙ্খাই খাইদোকপিরগা থারমদাইদা পুনা তোৎখাইবিরগা তাঙ্খাই অমা হাপপিগনি অদুগা তাঙ্খাই অমনা থাখ্রবা মতুং নুমিৎ ৪০-৪৫ লৈরগা পান্বীশিংগী মখোঙ শোন্বা অমসুং তাখৎপা মতমদা হাপ পিগনি।

ঈশিং চনবা:

পান থারবা মতুং খুদক্তা অহানবা ঈশিং পিবিগনি তৌবতবু নোং চুবা মতম ওইরগদি পিদ্রবসু য়াই। নোং চুদবা মতম ওইরগদি চায়োল খুদিংগী ঈশিং অমুমুক পিগনি। চেকশিনগদবা অমনা ঈশিং চনবা মতমদা পান্বীগী মখোংদা ঈশিং তুংদুনা লৈহল্লোইদবনি।

মখোং শোন্বা:

পান থারবা মতুং চাওরাক্লা থা অমা লৈরগা নপী পেংবা, মখোং শোন্বা, তাখৎপা অমসুং দরকার ওইবা হার হাপ পিগনি।